

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, JANUARY 31, 2020 **PAGE 7**



*স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর মায়থিবা পীরল্লগা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ফাইনেল য়ৌখ্রবা সর্বিয়াগী জোকোভিস*

*ৱার্ল্ড গেমস এঠলেট ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিমগী কেপ্টেন ওইরিবী রানী রামপাল*

## বেঙ্গালুরু এফ সিনা হায়দরবাদপু ১–০ দা থোইদুনা টেবলগী অনীশুবা মফমদা হাইগৎখ্রে



*ভুবনেশ্বর, জনুৱারি ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) গী ঙসি বেঙ্গালুরুদা লৈবা শ্রী কান্তিরাভা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন বেঙ্গালুরু এফ সিনা হায়দরবাদ এফ সিবু গোল ১–০ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী ২শুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

মেটচ অসি শান্নবা হেক হৌবদগী য়ুম্বু টিম ওইরিবা বেঙ্গালুরু এফ সিগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চংখদুনা শান্নরকখিবদগী হায়দরবাদ এফ সিগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীশিনবা ঙমখি।

মেটচকী ৮শুবা মিনিটতা বেঙ্গালুরু এফ সিনা ফংখিবা কোর্নর কিক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই দিমাস দেলগাদোনা হায়দরবাদকী পেনাল্টি বোক্সর মনুংদা ৱাংনা কাউরকপদা ফিভম ফজনা লৈরিবা টিমমেট নিসু কুমারনা হায়দরবাদকী গোলকিপর লক্সমিকান্ট কাট্টিমনিবু মায়থিবা পীরল্লগা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থারকখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২৩শুবা মিনিটতা বেঙ্গালুরুগী শান্নরোই সুরেস ৱাংজমনা মখোয়গী পেনাল্টি বোক্সর মনুংদা হায়দরবাদকী শান্নরোই মার্সেলিনহোদা ফাওল তৌরুবদগী হায়দরবাদনা পেনাল্টি অমা ফংখি।

হায়দরবাদকী পেনাল্টি কিক অদু টিম অসিগী শান্নরোই ষ্টানকোভিসনা কাউশিল্লকপদা বেঙ্গালুরুগী গোলকিপর গুরপ্রিতনা মহাক্কী য়েৎ থংবা মায়কৈদা চোংদুনা ঙাকথোকখিবদগী হায়দরবাদকী ইক্বেলাইজর ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অদু মাঙহনখি।

মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নখিদবদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা বেঙ্গালুরুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু মায় পাকপা ঙম্নদনা লাকখি। ইনজুরি টাইমগী অহানবা মিনিটতা হায়দরবাদকী শান্নরোই কোলাকোনা কাউশিল্লকখিবা সোট অমা বেঙ্গালুরুগী গোলকিপর গুরপ্রিতনা ঙাকথোকখিবদগী গোল ওইহনখিদবদগী মেটচ অসি বেঙ্গালুরুনা ১–০ দা থোইখি।

## রানীনা ৱার্ল্ড গেমস এঠলেট ওফ দি ইয়রগী মনা লৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিমগী কেপ্টেন রানী রামপালনা 'ৱার্ল্ড গেমস এঠলেট ওফ দি ইয়র'গী মনা ফংখ্রে। মহাক্না ফংখিবা এৱার্ড অসি হোক্কী শান্নরোই অমনা মনা অসি ফংবা অহানবা ওইরি।

নুমিৎ ২০নি চুপ্পা স্পোর্টস ফেনশিংনা থাদনখিবা ভোটকী রিজল্টতা ইন্দিয়াগী হোক্কী সুপরষ্টার রানী রামপালনা ভোট মশীং ১৯৯,৪৭৭ ফংদুনা অতোপ্পা শান্নরোইশিংদগী য়াম্না হেন্দুনা ৱার্ল্ড গেমস এঠলেট ওফ দি ইয়রগী মনা অসি ফংবা ঙমখিবনি। ভোট অসিদা পুন্না ভোটুর মশীং ৭০৫,৬১০ না ভোট থাদনখি।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা এফ আই ঐচ সেরিজ ফাইনেলসতা ইন্দিয়ানা টাইটল লৌবা ঙমখি। সেরিজ ফাইনেলস অসিদা রানী রামপালনা প্লেয়র ওফ দি টুর্নামেন্টকী মনাসু ফংবা ঙমখি। রানী রামপালনা কেপ্টেন ওইরিবা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম অসি অহুমকশুবা ওইনা ওলেম্পিক গেমস ক্বালিফাই ওইখ্রবনি।

ঐহাক্না এৱার্ড অসি মহাক্কী হোক্কী ফ্রেটরনিটি, শান্নরোইশিং অমদি লৈবাক অসিগীদমক দেদিকেট তৌরে হায়না রানী রামপালনা ফোঙদোকখি। মহাকপু ৱার্ল্ড গেমস ফেদরেসন্না এৱার্ড অসিগীদমক নোমিনেট তৌরপদসু রানী রামপালনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন ২০২০ঃ নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা স্পেনগী মুগুরুজা অমসুং য়ু এসকী কেনিন থেংনরগনি



*মেলবর্ন, জনুৱারি ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা অমসুং য়ু এসকী সোফিয়া কেনিন শান্নরগনি, নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর টু সিদেদ সর্বিয়াগী নোবাক জোকোভিস সেমি ফাইনেলদা মায় পাক্কুনা ফাইনেল য়ৌদুনা মহাক্কী লম্বা ঙাইখ্রে।

ওষ্ট্রেলয়িান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজানা ৪শুবা সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্বনি।

অহানবা সেট শান্নরকপদা শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী টাই ব্রেক্তা স্পেনগী মুগুরুজানা ৭–৬(১০–৮) দা হালেপপু থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতসু শান্নরোই অনীমক পাঙ্গল মান্ননা শান্নরকখি। শান্নরোই অনীমক গেম ৫–৫ দা মান্নদুনা লৈরম্লবা মতুং মখা তানা শান্নরকপা গেম অনী স্পেনগী মুগুরুজানা থোইদুনা সেট অসি ৭–৫ দা মায় পাক্কুনা নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবী ১৪শুবা সিদেদ য়ু এসকী সোফিয়া কেনিননা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই এসলি বার্টিপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

অহানবা সেট টাই ব্রেক্তা য়ু এসকী কেনিননা ওষ্ট্রেলিয়াগী বার্টিবু ৭–৬(৮–৬) তা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা য়ু এসকী শান্নরোই সোফিয়া কেনিননা ওষ্ট্রেলিয়াবু এসলি বার্টিবু ৭–৫ দা থোইবা ঙমদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচতা ২শুবা সিদেদ সর্বিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ৩শুবা সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

সেমি ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেট টাই ব্রেক্তা সর্বিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররবু ৭–৬(৭–১) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা সেটতা সর্বিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররগী সার্ভিস গেম অমমম ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬–৪, ৬–৩ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ১১শুবা সিদেদ পেয়র য়ু এসকী রজিব রাম অমসুং বৃটেনগী জো সালিসবরিনা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র মেক্স পরকেল অমসুং ল্যুক সাভিল্লিগা শান্নরগনি।

য়ু এসকী রজিব রাম অমসুং বৃটেনগী জো সালিসবরিনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা কজাখষ্টানগী পেয়র আলেকজেন্দর বুব্লিক অমসুং মিকাইল কুকুসকিনবু ৪–৬, ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরম্বনি। অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদনা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র মেক্স পরসেল অমসুং ল্যুক সেভিল্লিনা ৪শুবা সিদেদ পেয়র ক্রোএসিয়াগী ইভান দোদিগ অমসুং স্লোভাকিয়াগী ফিলিপ পোলাসেকপু ৬–৭(৭–৯), ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী রোহন বোপান্না অমসুং য়ুক্রেনগী নদিয়া কিচেনোকপু ৫শুবা সিদেদ পেয়র চেক রিপব্লিক্কী বারবোরা ক্রেজসিকোভা অমসুং ক্রোএসিয়াগী নিকোলা মেকটিক্কী মখূত্তা ০–৬, ২–৬ তা মায়থিহৌখি।

মিক্স দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ পেয়র কানাদাগী গাব্রিয়েলা দাব্রোস্কী অমসুং ফিনলেন্দগী হেনরি কোন্টিনেননা ৬শুবা সিদেদ পেয়র চাইনিজ তাইপৈগী লাটিসা চান অমসুং ক্রোএসিয়াগী ইভান দোদিগপু ষ্ট্রেট সেট ৭–৫, ৭–৬(৭–২) দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## অহানবা মেটচতা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দগা শান্নরগনি

*কেনবেরা, জনুৱারি ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা শান্নগদৌরিবা ত্রাইএঙ্গুলর সেরিজগী হৌবা মেটচ ওইনা হয়েং ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম্না ইংলেন্দগা শান্নরগনি।

হৌজিক চথগদৌরিবা ত্রাইএঙ্গুলর সেরিজ অসিনা ইন্দিয়াগী নুপী টিমগী ওইনা ফেব্রুৱারি ২১ দগী শান্নবা হৌগদৌরিবা টি–২০ ৱার্ল্ড কপ অসিদা অচৌবা কান্নবা অমা ফংহল্লগনি।

হরমনপ্রিত কোরনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা শান্নগদৌরিবা ত্রাইএঙ্গুলর সেরিজ অসিদা য়াওরিবা টিম অনী ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইংলেন্দ নুপীগী ক্রিকেটতা মকোক থোংবা ঙাক্তনি।

ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম্না ত্রাইএঙ্গুলর সেরিজ অসিগী টাইটল লৌদুনা মথং থাগী ২১ দগী মার্চ ৮ ফাওবা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা টি–২০ ৱার্ল্ড কপ্তা অচৌবা মীৎয়েং অমা থমগদৌরি।

ইন্দিয়াগী টিম টি–২০ ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ অসিদা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়া, বাংলাদেশ, ন্যু জিলেন্দ অমসুং শ্রী লঙ্কাগা গ্রুপ ষ্টেজদা পুল্লি। বেঙ্গলগী বেটসৱুমেন রিচা ঘোসসু ইন্দিয়াগী স্কৱাদ অসিদা য়াওবা ঙমখ্রবনি।

মশাগী চহী ১৫ শুরবী হরিয়ানাগী শান্নরোই সাফালি ভর্মসু টি–২০ ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী স্কৱাদতা য়াওদুনা গ্লোবেল মিট অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়াবা ঙম্লগনি।

## রিয়েল মাদ্রিদনা রিয়েল জারাগোজাবু ৪–০ দা থোইদুনা কোপা দেল রেগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



*জারাগোজা, জনুৱারি ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

স্পেনগী মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কোপা দেল রেগী ১১৮ শুবা ইদিসনগী ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ ওফ ১৬ গী মেটচ অমদা রিয়েল মাদ্রিদনা রিয়েল জারাগোজাবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই এটেক হেন্না চংখদুনা শান্নরকখি। মেটচকী ৬শুবা মিনিটতা টিম অসিগী শান্নরোই রাফেল ভারানেনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৩২শুবা মিনিটতা রিয়েল মাদ্রিদকী অতোপ্পা শান্নরোই লুকাস ভাজক্বেজনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা গোল শোত্থরিবা রিয়েল জারাগোজাগী শান্নরোইশিংনা অনৌবা লাল্লোং শীজিন্নদুনা এটেক কয়া চংখরকখি। রিয়েল জারাগোজাগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লাক্লিঙৈ মেটচকী ৭২শুবা মিনিটতা রিয়েল মাদ্রিদকী অতোপ্পা শান্নরোই ভিনিসিয়স জুনিয়রনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেলদা পুশিনখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৮০শুবা মিনিটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই করিম বেঞ্জেমানা টিম অসিগী ৪শুবা গোল অদু চন্দুনা মেটচ অসি রিয়েল মাদ্রিদনা রিয়েল জারাগোজাবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীরল্লগা কোপা দেল রেগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা রাউন্দ ওফ ১৬ গী মেটচতা রিয়েল সোসাইদেদনা ওসাসুনাবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।


টিম অনীমক শান্নবা হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম হৌজিনখ্রবা ফাওবদা গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙম্নদনা লাকখি। মেটচকী ৩৩শুবা মিনিটতা রিয়েল সোসাইদেদকী শান্নরোই আলেকজেন্দর ইসাকনা গোল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। মিনিট ৩ লৈরগা গোল শোত্থরিবা ওসাসুনাগী শান্নরোই মার্ক কারদোনানা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা রিয়েল সোসাইদেদকী শান্নরোইশিংনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা অকনবা এটেক চংখবা হৌরকখি। মেটচকী ৬১শুবা মিনিটতা রিয়েল সোসাইদেদকী শান্নরোই মার্টিন ওয়েদেগার্দনা গোল অমা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৬৯শুবা মিনিটতা রিয়েল সোসাইদেদকী মায়কৈদগী অহানবা গোল চনখিবা আলেকজেন্দর ইসাকনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা মেটচ অসি মখোয়না ওসাসুনাবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীরল্লগা কোপা দেল রেগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

কোপা দেল রেগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা রাউন্দ ওফ ১৬ গী মেটচতা ভেলেন্সিয়ানা কলচরেল লিওনেসাবু এক্সত্রা টাইমদা গোল ৪–২ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

## নিকোলো বারেল্লাগী গোলনা ইন্টর মিলাননা ফিওরেন্টিনাবু ২–১ দা থোইদুনা কোপা ইটালিয়াগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



*মিলান, জনুৱারি ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

ইটালিদা পাঙথোকপা ফুটবোল টুর্নামেন্ট কোপা ইটালিয়াগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা নিকোলো বারেল্লানা চনখিবা গোলনা ইন্টর মিলাননা ফিওরেন্টিনাবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মেটচ ৩ থংন–থংননা দ্রো চৎতুনা লাকখ্রবা এন্টোনিও কোন্টেগী ইন্টর মিলাননা কোপা ইটালিয়া কপকী সেমি ফাইনেলদা নাপোলিগা লম্বা তৌনরগনি। নাপোলিনা মমাঙ চয়োলদা শান্নখিবা মেটচতা লাজিওবু ১–০ দা থোইরম্বনি।

অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী গোল একাউন্ট হাংদোকপা ঙম্নদনা লাকখি। ফিওরেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা গোল চনখিবগী খুদোচাবা খরা ফংখ্রবসু ইন্টর মিলানগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী মতম কুইনা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনিট ১ ৱাৎলিঙৈদা ইন্টর মিলানগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা লাওটারো মার্টিনেজনা ফিওরেন্টিনাগী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা পীরকখিবা পাস অমদা টিমমেট এন্টোনিও কান্দ্রেভানা য়াম্না নকপা মফমদগী কাউশিনবদা গোল ওইদুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরবা হৌরকপদগী গোল শোত্থরিবা ফিওরেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা ইক্বেলাইজর ওইনবা হোৎনরকখি। ফিওরেন্টিনাগী শান্নরোইশিংগী হোৎনজমনগী মহৈ ওইনা মেটচকী ৬০শুবা মিনিটতা টিম অসিগী শান্নরোই ইরিক পিলগরনা ৱাংনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট মার্টিন কেসেরেনা য়াম্না ফজনা হেদ্দিং তৌশিন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইহনবা ঙমখি।

গোল মান্নরবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তানা শান্নরকপদা অকনবা এটেক মায়োক্লন্দুনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। ইন্টর মিলানগী শান্নরোইশিংনা মেটচকী ৬৭শুবা মিনিটতা চংখরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই নিকোলো বারেল্লানা গোল অমা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা টিম অনীগী শান্নরোইশিংনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনদুনা অকনবা লম্বা মায়োক্লন্দুনা লাকখ্রবসু মেটচকী অপীবা মতমগী মনুংদা অহেনবা গোল চন্নখিদবদগী মেটচ অসি ইন্টর মিলাননা ফিওরেন্টিনাবু গোল ২–১ দা থোইদুনা কোপা ইটালিয়া ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

কোপা ইটালিয়া ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইরিবা জুবেন্টসনা এ সি মিলানগা শান্নরগনি।

### ক্রোসৱার্দ ৪১৫ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| E | S | T | A | T | E | ■ | P | S | S | T | ■ | I | A | N |
| S | L | I | M | E | D | ■ | L | O | P | E | ■ | N | R | A |
| S | A | M | A | N | T | H | A | F | O | X | ■ | L | I | B |
| E | V | E | N | T | ■ | U | N | I | T | ■ | S | A | A | B |
| N | E | W | ■ | H | A | S | T | A | ■ | R | H | I | N | E |
| E | R | A | ■ | S | S | S | ■ | ■ | G | O | A | D | E | D |
| S | S | R | S | ■ | C | A | N | C | E | L | S | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | P | E | T | E | R | C | O | Y | O | T | E | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | S | E | N | S | O | R | S | ■ | A | B | C | D |
| G | E | R | A | L | D | ■ | ■ | N | E | C | ■ | E | L | I |
| A | N | I | M | E | ■ | S | U | C | R | E | ■ | N | O | V |
| B | A | B | E | ■ | T | I | N | O | ■ | R | E | E | S | E |
| B | B | B | ■ | W | O | L | F | B | L | I | T | Z | E | R |
| E | L | O | ■ | E | R | L | E | ■ | A | S | T | E | R | S |
| D | E | N | ■ | B | O | Y | D | ■ | P | E | A | R | S | E |


ꯑꯈꯪꯐꯝ SL/5771/26+15 days

AISECT Academy for IT & Management
Academy for Teachers Training

ADMISSION OPEN

*M. Sc.(IT) | M. Sc.(CS)| MSW | M. Lib
M. Com | MA | M. Sc.| BCA | B.Sc. (IT)

PGDCA | DCA | CCA | CCC

Diploma in Nursery Teachers Training
12 Pass | 1 year
Certificate in Nursery Teachers Training
12 Pass | 6 Months

*30+ programmes in IT|Mgmt|Comm|Arts|Sc. Faculties
*Distance & Private programmes under
Dr. C.V. Raman University & Rabindranath Tagore University

For details, feel free to visit:
AISECT Thoubal Wangmataba, AISECT Building
#7005356020


## রেলৱেজনা নেসনেল টি টি নুপী টিমগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে




*হায়দরবাদ, জনুৱারি ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

টেবল টেন্নিস নেসনেলসকী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী টিম চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেলদা রেলৱেজনা বেঙ্গল 'এ' বু মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা কাঙলূপ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে। নুপা টিমগী চেম্পিয়ন্না পেট্রোলিয়মনা দিল্লিবু মেটচ ৩–০ দা থোইদুনা টাইটল লৌখ্রে।

টেবল টেন্নিস নেসনেল চেম্পিয়ন অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপী টিমগী ফাইনেলগী অহানবা মেটচতা রেলৱেজগী সগারিকানা বেঙ্গলগী প্রাপতি সেনবু ১১–৮, ৮–১১, ১১–৯, ৯–১১, ১১–৬ তা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচতা রেলৱেজগী টাকেমে সরকারনা বেঙ্গলগী মৌসুমী পোলবু ১৩–১১, ৭–১১, ১১–৮, ১১–৪ দা থোইদুনা মেটচ অনী মাঙজিল থাখি। অহুমশুবা মেটচসু রেলৱেজগী মৌমিতা দত্তনা বেঙ্গলগী সুরভি পটৱারীবু ১১–৪, ৯–১১, ১১–৬, ১২–১০ দা থোইখিবদগী ফাইনেল মেটচ অসি ৩–০ দা মায় পাক্কুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

নুপাগী টিম ফাইনেলদা পেট্রোলিয়মগী হরমিত দেসাইনা সুধানসু দিল্লিগী গ্রোভর, জি সাথিয়াননা দিল্লিগী পার্থ ভিরমানী অমসুং মানভ থাক্করনা দিল্লিগী পায়াস জেনবু মায়থিবা পীরল্লগা কাঙলূপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

## লিভরপুল মায় পাকখ্রে

*লন্দন, জনুৱারি ৩০ (এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা লিভরপুলনা ৱেষ্ট হার্ম য়ুনাইটেদপু ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংদুনা চৎলি।

মেটচ অসিগী অহানবা গোল শান্নবগী ৩৫শুবা মিনিটতা লিভরপুরনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা মোহমদ সালাহনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫২শুবা মিনিটতা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা এলেক্স ওক্সলাদে চেম্বরলেননা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি লিভরপুলনা গোল ২–০ দা মায় পাক্কুনা টেবলগী মকোক্তা লেঙদনা লৈরি।